Hueiyen Lanpao

# দুরান্দ কপ : হায়দরবাদ এফ সীনা ট্রাও এফ সী মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ২২ (ঐচ এন এস): ষ্টেট অসিগী ইন্দিয়ন সুপর লীগ টিম ওইরিবা টিদ্দিম রোদ এথলেটিক য়ুনিয়ন (ট্রাও) এফ সী চথরিবা ১৩১শুবা ইন্দিয়ন ওইল দুরান্দ কপকী ঙসি খুমন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা গ্রুপ সীগী মেটচ অমদা হায়দরবাদ এফ সীগী মখূৎতা ০-২দা মায়থীখ্রে।

ট্রাওনা হৌজিক ফাওবদা পূন্না মেটচ ২ শান্নখিবদা অনীমক মায়থীদুনা পোইন্ট অমত্তা ফংদনা গ্রুপকী টেবলগী ইরোই লোইবা মফমদা লৈরি।

ট্রাও অমদি হায়দরবাদ এফ সী অনীনা শান্নখিবা মেটচতা হরিচরন নর্জারিনা শান্নবগী ২৭ শুবা মিনটতা হায়দরবাদকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি।

বোর্জা হাররেরা গোঞ্জালেজনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৫৩ শুবা মিনটতা হায়দরবাদ এফ সীগী মায় পাকপগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি। মেটচ অসিদা রেফরি কর্টিক মোন্দালনা হায়দরবাদ এফ সীগী শান্নরোয় অহুম-অরেন দি সিলভা, লালবিয়াকলুৱা জোংতে অমদি চিংলেনসনা কোন্সম অদুগা ট্রাওগী শান্নরোয় অনী-চিংঙাখম রোশন অমদি সলাম জোন্সনবু য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

অতোপ্পা, কোলকাটাগী ভি ৱাই বি কে ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা ইষ্ট বেঙ্গল এফ সী অমদি ইন্দিয়ন নেভি গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো ওইখ্রে।

অমরোমদা, দুরান্দ সেল ইম্ফালগী নোদল ওফিসরনা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোল্লদুনা খুমন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ৩০ অমদি সেপ্টেম্বর ১দা শান্নগদবা গ্রুপ সীগী মেটচ অনীগী হান্না লেপ্পল্লম্বা মতম পুং ৩দগী হোংদোল্লগা নুমিদাংৱাইরম পুং ৬তা ওইনা শান্নরগনি হায়রি।

# ষ্টেট লীগ : নেরোকা এফ সী অমদি এ এফ সী মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ২২ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা চথরিবা ১৫শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা নেরোকা এফ সী সঙাকফমনা নোর্থ ইম্ফাল স্পোর্টিং এসোসিএসন (নিশা) থাংমৈবন্দবু ৪-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

অয়েকপম তোমজোসেফনা অহানবা হাফ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমদা নেরোকাগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মংলেনথাং লুফেংনা পেনাল্টি অমগী মতেংদগী অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৫৯ শুবা মিনটতা নেরোকাগী অনীশুবা গোল চনখি। অদুগা এম দি ইশ্রা খান অমদি এস জোনি কোমনা শান্নবগী ৬৫ অমদি ৮৫ শুবা মিনটতা নেরোকাগী মায় পাকপগী ৩শুবা অমদি ৪শুবা গোল চনবা ঙমখি। নিশাগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা হুইদ্রোম তেলহৈবনা শান্নবা হৌরকপগী ৮শুবা মিনটতা পেনাল্টি অমগী মতেংদগী চনখিবনি।

মেটচ অসিদা রেফরি জয়সিং মোন্সাংনা নিশাগী খ্বাইরাকপম নিশিকেশ শান্নবগী ১৫ শুবা মিনটতা অদুগা নেরোকাগী কোরৌহনবা লাইশ্রম অমদি অয়েকপম তোমজোসেফ শান্নবগী ৬ অমদি অহানবা হাফ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমদা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা সগোলবন্দ য়ুনাইটেদনা দি এথলেটিক্স ফুটবোল ক্লব (এ এফ সী)বু ৪-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

সগোলবন্দ য়ুনাইটেদকী মায় পাকপগী গোলশিং অদু রোনিক মোইরাংথেম, চিংঙাখম অনন্দকুমার, কেপ্টেন সিঙাম সোভাশ অমদি থোকচোম এদিসননা শান্নবগী ৩২, ৫৫, ৭৫ অমদি ৮৬ শুবা মিনটতা গোল চনবা ঙমখি। এ এফ সীগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা সহিদুর রাহমননা শান্নবগী ৬৩ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

মেটচ অসিদা রেফরি প্রেমজিৎ তখেল্লম্বমনা এ এফ সীগী শান্নরোয় ২- প্রেমকুমার থাংজম অমদি থৌনাওজম থোমাস শান্নবগী ৬ অমদি ৪১ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা মেটচ ২ শান্নরগনি।

### ১৩শুবা অম্ফা সিনিয়র ৱিমেন্স লীগ

# ক্রিপসা অমদি য়ং ৱেলফেয়র ক্লব দ্রো ওইখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২২ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা) না শীন্দুনা চথরিবা ইন্দিয়ন ৱিমেন্স লীগকী কালিফায়িং রাউন্দ ওইরিবা ১৩শুবা অম্ফা সিনিয়র ৱিমেন্স ফুটবোল লীগ ২০২২-২৩ ঙসি অয়ূক লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা কাংচুপ রোদ য়ং ফিজিকেল এন্দ স্পোর্টস এসোসিএসন (ক্রিপসা) নাওরেমথোং অমদি দি য়ং ৱেলফেয়র ক্লব গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখ্রে।

মেটচ অসিদা টিম অনীগী মায়কৈদা গোল চনবা য়াবা তাঞ্জা ফংনরবসু গোল ওন্থোকপা ঙম্নদনা দ্রো ওইখিবনি। মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমদা রেফরি হেমন্ত য়ুম্লেম্বমনা য়ং ৱেলফেয়র ক্লবকী দিফেন্দর য়ুম্নাম অঞ্জলিবু য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখিবনি।

অতোপ্পা ঙসি অয়ূক শান্নখিবা মেটচ অমদা য়ুনাইটেদ পুখাও স্পোর্টস এসোসিএসন (য়ু পি এস এ)না য়ুঠ ৱেলফেয়র ক্লবপু লাকচনা ৬-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

লিংনৈলম কিপজেননা শান্নবগী ৩৬ শুবা মিনটতা পুখাওগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্লা মখা তানা শান্নবগী ৪২ শুবা মিনটতা গোল ১গা হাপচিন্দুনা ৱাই দল্লিয়ু সীবু ২-০দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নবদা য়ুম্লেম্বম থাইলেন্দনা শান্নবগী ৬৫ শুবা মিনটতা পুখাওগী অহুমশুবা গোল চনখি। গোল চনখিবগা ইকান কান্নদনা থিংবাইজম বেবিসনানা শান্নবগী ৬৭ শুবা মিনটতা গোল ১গা হাপচিনবা ঙমখি। মহাক্লা মখা তানা শান্নবগী ৮০ শুবা মিনটতা পেনাল্টি অমগী মতেংদগী য়ু পি এস এগী ৬শুবা গোল চনবা ঙমখি। কাই রুমিনা শান্নবগী ৭১ শুবা মিনটতা পুখাওগী ৫শুবা গোল চনখি।

ৱাই দল্লিয়ু সীগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা কয়েনপাইবম অঞ্জুনা শান্নবগী ৬০শুবা মিনটতা চনখিবনি।

# রেদ মেছিনগী জর্সি লোঞ্চ তৌখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২২ (ঐচ এন এস): রেদ মেছিন ফুটবোল একাদেমি য়ুম্নাম খুনৌগী ঙসি ৱাঙ্খেগী এম এল এ থাংজম অরুনকুমারনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা জর্সি লোঞ্চ তৌবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।




থৌরম অদুদা খুন্দ্রাকপমগী এম এল এ, টি ঐচ লোকেশ্বরনা থৌরম মপূ অদুগা হান্নগী ইন্দিয়ন ফুটবোল টিমগী কেপ্টেন পি রেনেদি অমদি ফিল্ম ষ্টার খোনিকর খুরাইজমনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা টি ঐচ অরুননা ফোঙদোকখিবদা, ষ্টেট অসিদা ফুটবোলগী ঈহৌ অমা লাক্লিবা অসি থকশি-খাশি লৈবা শান্নরোয় কয়া থোক্লকপদগীনি। খুন্দ্রাকপমগী এম এল এ, টি ঐচ লোকেশ্বরনা মহাক্কী এ সীদা ফুটবোলগী একাদেমি অমা লিংখৎলকপা অসি য়াম্না নুংঙাইবা ফাওই অমদি গার্জিয়ানশিংনসু অঙম্বা মতেং পাংশিন্দুনা মপূং ফাবা একাদেমি অমা ওইহনবা ঙম্নবা হোৎনসি হায়খি।

### সঙ্গিতা ফর্ষ্ট দিভিজন লীগ

# ৱাই য়ু সী, আই এফ সী দ্রো ওইখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২২ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা সেকমাইগী এস কে ৱাই সী গ্রাউন্দদা চথরিবা সঙ্গিতা মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ৱাই য়ু সী অমদি আই এফ সী ২-২দা দ্রো ওইখ্রে।

ৱাই য়ু সীগী গোলশিং অদুনা এম চৌরজিৎ অমদি এস মহেশনা শান্নবগী ২৯ অমদি ৪২ শুবা মিনটতা চনখি। আই এফ সীগী গোল ২ অদুনা ভি এস সাইওনা শান্নবগী ৪ অমদি ১২ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

মেটচ অসিদা রেফরি টি হেমন্তনা ৱাই য়ু সীগী শান্নরোয় ৩- এস ঐচ রোবিনসন, এন অরুনদট্ট অমদি এস ঐচ পিকপু শান্নবগী ১০, ৩১ অমদি ৫৫ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এস দি সী অমদি এস সী কে গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো ওইখ্রে।

মেটচ অসিদা রেফরি এস জে াসিনা এস দি সীগী ৱাই রোবিনসন অমদি রিশিকেশ শান্নবগী ৩২ অমদি ৬৮ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

মেটচ অসিদা চাগালুং পানমৈ অমদি এল গোকুলানন্দনা এসিষ্টেন্ট রেফরি ওইনা শরুক য়াখি।

# থাঙ-তাগী শান্নরোয়শিং তরাম্না ওকখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ২২ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর চৈবী এসোসিএসননা শীন্দুনা খুরাই সাজোর লৈকাইদা লৈবা ইমা লাইখূৎলেম্বী শঙলেন্দা থা অসিগী ১৩দগী ১৬ ফাওবা পাঙথোকখিবা ৩৪শুবা ষ্টেট লেভেল চৈবী য়েন্দম্নবদা মেদল লৌরকখিবা অমদি শরুক য়াখিবা ইকোপ নিংথৌ হুয়েল লালোং শিন্তম শঙ, ৱাংজিং লমদিংগী শান্নরোয় ১৩ অমদি ওফিসল ৬পু ওকপগী থৌরম অমা ৱাংজিং লমদিং খুমন্থেম লৈকাই বামোন মান্দপ্তা নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোকখ্রে।

য়েন্দম্নবা অসিদা শান্নরোয় ৭না গোল ২, সিলভর ২, ব্রোঞ্জ ৩ পূন্না মেদল ৭ লৌরকখিবনি। থৌরমগা মরী লৈননা শান্নরোয়শিং অমদি ওফিসলশিংদা সর্টিফিকেট অমদি মমেন্টো পীদুনা ইকাই খুম্নবা উৎখি। থৌরম অদুদা এ প্রফুলো, কে ইবোচৌবা, কে (ও) দেবলা, কে (ও) রতি লৈমনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখি।

### এল মেমচা সুপর দিভিজন লীগ

# দল্লিয়ু ৱাই এফ সীনা ঐচ কে কে এস এ মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২২ (ঐচ এন এস): দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন থৌবালনা শীন্দুনা কোদোমপোকপী স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চথরিবা এল মেমচা মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা দল্লিয়ু ৱাই এফ সী ৱাংজিংনা ঐচ কে কে এস এ হাওখা কিয়ামবু ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

ৱাংজিং টিমগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু এস ঙৌবনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৪৩ অমদি ৬৪ শুবা মিনটতা গোল ২ অদুগা কে ঐচ দেবব্রতনা অহানবা হাফকী ইঞ্জুরি টাইমদা গোল ১ চনবা ঙমখি। হাওখাগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা এম দেরিলনা শান্নবগী ২৮ শুবা মিনটতা চনখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এস দল্লিয়ু ৱাই সী চরাংপাৎ অমদি ঈ এল ৱাই এস এ ফৌদেল ২-২দা দ্রো ওইখ্রে।

চরাংপাৎকী গোল ২ অদুনা টি ঐচ অবোই অমদি কে জুরেম্বনা শান্নবগী ৬ অমদি ৬৭ শুবা মিনটতা চনখি। ফৌদেলগী গোলশিং অদুনা কে ঐচ অনাশ অমদি এম দি অল্টাফ শাহনা শান্নবগী ৩৬ অমদি ৬১দা চনখি।

# ইম্ফাল ইষ্ট যোগসনা চেম্পিয়নশিপ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২২ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট যোগসনা স্পোর্টস এসোসিএসননা শীন্দুনা অহানবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট যোগসনা স্পোর্টস চেম্পিয়নশিপ সেপ্টেম্বর ৪দা খুন্দ্রাকপম অৱাং লৈকাইদা লৈবা লাইনিংথৌ পাঙ্গনবা কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোক্লগনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা কেটগোরি অহুম- সব জুনিয়র, জুনিয়র অমদি সিনিয়র খায়দোক্তুনা ট্রেদিসনেল, আর্টিষ্টিক সিঙ্গল, আর্টিষ্টিক প্যের অমদি রিদমিক প্যের ইভেন্টতা অথোই-অহেন তান্নরগনি। ৱিন্নরশিংনা ৩শুবা ষ্টেট লেভেল যোগসনা স্পোর্টস চেম্পিয়নশিপতা ইম্ফাল ইষ্ট রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়াগনি। মখা তাবা অকুপ্পা মরোলগীদমক মোবাইল নম্বর ৯৪৩৬২৮০৬১৭তা পাউ ফাওরক্তুনা খঙলবা য়াগনি হায়রি।

# খেলো ইন্দিয়া ইষ্ট জোন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২২ (ঐচ এন এস): অসামনা য়ূম্ব ওইদুনা গুৱাহাটিদা সেপ্টেম্বর ১৫দগী ২৩ ফাওবা খেলো ইন্দিয়া ইষ্ট জোন জুনিয়র গর্লস এন্দ য়ুঠ ৱিমেন ওপন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ পাঙথোক্লগনি হায়না মণিপুর এমেচর বোক্সিং এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি পি ঐচ ধনজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী ফোর্ম থাজিনবগী অরোইবা মতম্না সেপ্টেম্বর ৮ ফাওবনি। জুনিয়র নুপীমচাগী ওইনা জন্যুৱারী ১, ২০০৬তগী দিসেম্বর ৩১, ২০০৭ ফাওবগী মনুংদা অদুগা য়ুঠ ৱিমেন্সকী ওইনা জন্যুৱারী ১, ২০০৪দগী দিসেম্বর ৩১, ২০০৫ ফাওবগী মনুংদা পোকপা ওইগদবনি। মখা তাবা অকুপ্পা মরোলগীদমক মাবাগী ওফিসতগী খঙলবা য়ারগনি হায়রি।

# বোর্না কোরিকনা সিন্সুনাটি মাষ্টর্স টাইটল লৌখ্রে



সিন্সুনাটি, ওগষ্ট ২২ (এজেন্সী): লেংজুমগী অনাবনা মরম ওইদুনা চহী ১ পোত্থারুরবা মতুং চহী অসিগী মার্চ থাদা অমুক হল্লকখিবা ক্রোএসিয়াগী বোর্না কোরিকনা গ্রিককী ষ্টার ৪শুবা সিদেদ ষ্টেফানোস সিটসিপাসপু নোংমাইজিং নুমিৎকী অথেংবদা শান্নখিবা ফাইনেলদা ৭-৬ (৭-০), ৬-২দা মায়থীবা পীদুনা এ টি পি সিন্সুনাটি মাষ্টর্সকী টাইটল লৌখ্রে।

চহী ২৫ শুরবা বোর্না কোরিককী মায় পাকখিবা অসিনা শীংথানিংঙাই ওইনা রেঙ্ক ১২৩ হাইগৎলগা রেঙ্ক ২৯দা লৈবা ঙমখ্রে। মহাক ৱর্ল্ড রেঙ্কিং ১৫২দা সিন্সুনাটিদা লাকখিবনি। সিটসিপাসসু হান্নগী রেঙ্কিংদগী ২ হাইগৎলগা ৱর্ল্ড নম্বর ৫দা লৈবা ঙমখ্রে।

HL-P/3689/17,18,20,21,23,25,27,28

MTA MANGAL TRADING ACADEMY
COMPLETE STOCK TRADING COURSE
For Beginner
Join Next Batch
Mode : Online , Apps : Zoom HD
Fees:- Rs.2000/- only
Timing : 8.15am to 9.30am
Duration :- 15 Days
Starts From 29.08.2022
Never invest in a business you cannot understand
MANGAL TRADING ACADEMY
KAKWA LILANDO LAMPAK
IMPHAL - MANIPUR
Call or Whatsapp for More Information
+91-7005851073

# এম নিলো জেনরেল সেক্রেটরি খনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২২ (ঐচ এন এস): দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ককচীংগী মীখল পাঙথোকখ্রবা মতুং এসোসিএসনগী কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ২২গী মখাদা দল্লিয়ু এফ এ ককচীংগী এম নিলোবু জেনরেল সেক্রেটরি খনখ্রে। অদুগা এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি ওইনা সাও ককচীংগী পি গোধাদোর, এস দল্লিয়ু সী কৈরক্কী য়ু ইবোমচা অমদি ৱাই দল্লিয়ু য়ু ককচীংগী এন পুর্ণিমা খনখ্রে।

# জি বি পাঙথোক্লগনি


ইম্ফাল, ওগষ্ট ২২ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ৱুশু এসোসিএসনগী এগজিক্যুটিভ মেম্বরশিং খন্নবগী স্পেসল জেনরেল বোদি মীটিং অমা সেপ্টেম্বর ১গী অয়ূক পুং ৭তা শীংজমৈ চীংঙা মথক হাও গ্রাউন্দদা লৈবা ক্রিদা কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোক্লগনি হায়না এসোসিএসনগী সেক্রেটরি জি উমানন্দনা খঙহল্লক্লি।

মীটিং অসিদা এসোসিএসনগী এপ্রুভ মেম্বরশিংনা শুংশোয় শোয়দনা শরুক য়ানবা মখা তারক্লি।

### ওন্নখিবা

পাউচে অসিগী ওগষ্ট ২২দা য়াওখিবা 'এস বিরেন্দ্র সুপর দিভিজন লীগ- এন সী ক্লবনা সী ঐচ আই কে এল মায়থীবা পীখ্রে' হায়খিবা অদু সী ঐচ আই কে এলনা এন সী ক্লব মায়থীবা পীখ্রে হায়গদবনি। পাউগী মনুংদা য়াওরিবা এন সী ক্লবকী মহুৎতা সী ঐচ আই কে এল হায়গদবনি। ওন্নখিবা অসিগীদমক্তা নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি। -প্রুফ রিদর

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 551**

**Max Kuerschner - Siegbert Tarrasch**
**Tarrasch Casual Games Nuremberg, 1890**

| | | |
|---|---|---|
| 1.e4 e6 | 2.d4 d5 | 3.exd5 exd5 |
| 4.Bd3 Bd6 | 5.Nf3 Nf6 | 6.O-O O-O |
| 7.c3 Bg4 | 8.Be3 Qd7 | 9.Nbd2 Nc6 |
| 10.Qc2 Rae8 | 11.Nh4 Ne7 | 12.Bg5 Ng6 |
| 13.Bxf6 gxf6 | 14.Nf5 Bf4 | 15.Nb3 Ne7 |
| 16.Nc5 Qc8 | 17.Nxe7+ Rxe7 | 18.Bxh7+ Kg7 |
| 19.Bd3 Rh8 | 20.g3 Rxh2 | 21.Kxh2 Qh8+ |
| 22.Bh7 Re2 | 23.Ne6+ Rxe6 | 24.gxf4 f5 |
| 25.Rh1 Qxh7+ | 26.Kg2 Qg6 | 27.Kf1 Bf3 |
| 28.Rg1 ... | | |

**QUESTION :**
**Black to win**

**Puzzle 550 Ans. :**

27. Nf6+ The white knight clears the way for White's queen to the square e4. Opening the line from g1 to g8. gxf6 28. Rdg1+ Kh8 29. Rxh7+ The white rook decoys Black's king. Kxh7 30. Qe4+ Kh6 31. Qh1#Lawnmower mate
1-0

HL-B/7728/10/7-6/9(alt)

SMART TUTORIAL CENTRE
SINGJAMEI SUPER MARKET
ADMISSION OPEN
WEBSITE: https://smarttutorial.org/
BOSEM/COHSEM/CBSE Separate class
SCIENCE,ARTS & COMMERCE
MEDICAL, ENGINEERING & NDA course for 2023
16th FOUNDATION COURSE 2022 (2nd batch) FOR CLASS IX,X,XI &XII
CLASS START :10th,17th,24th August 2022
HOSTEL+VAN SERVICE available for both boys & girls
FREE supply of printed questions & answers, weekly exam and MEGA TEST
ALL SUBJECTS
CALL: 8787601123, 03857966211
Experience Teachers from (FORMER & WORKING IN) Morning 5:30 to 8:00 am / Evening 4 to 7:20 pm
CBSE SCHOOL: UNACCO, MARIA MONTESSHRI,KV Lamphelpat, KANAN DEVI & SISHU SIKSHA NIKETAN
BOSEM/ COSHEM: MECI, COMET, XTRA EDGE, HERBERT, IPS & STANDARD ROBERT

HL-B/7804/19/8-16/9(alt)


5 to 10% DOWN PAYMENT FOR 2WHEELER,VAN & AUTO
LOAN AVAILABLE
EWMPLOYMENT NEWS:Car Driver,Security,Mechanic&Gr-IV, Legal Advisor,Computer Operator,Chawkidar
OFFICE ASST. (KAKCHING,SAMUROU,NAMBOL,THOUBAL,MOIRANG,)
L.G. MOTORS FINANCE
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI,H.Q
OFFICE HOUR: 10.00AM TO 4.00PM
CONTACT No.:- 9774495994/8731978490
NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING,IMPHAL WEST,MANIPUR
BRANCHES:- SEKMAI KOUJENGLEIMA,SAMUROU NEAR MACHU HALL,KAKCHING IRUM LAMDONG, THOUBAL OKRAM, NAMBOL PHOIJING LAMBAN,MOIRANG PATLOU.

HL-B/7775/2/8-28/9

SPOKEN ENGLISH
Classes for groups and special class for only one person
For Seniors, College and University Students
■Grammar ■Pronunciation ■Group discussion ■Public speaking ■Vocabulary
Global Spoken English, Gourahari Market,
Behind Pologround, Near Hotel Christina, Paona Bazaar, Imphal
(Timing: 5:00 am, 6:10 am, 7:40am, 11:00 am, 1:00pm, 4:00 pm, 5:30pm)
Instructors: Sir Tejkumar (Teaching Since 1987)
Alice Thokchom (MA English, Punjab University)
Contact Numbers: 8132904426, 9362150894

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com